# ওক্সিজেন সিলিন্দর ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বা পেরামেদিক ২ ফারে



ন্যু দেল্লী, মে ১০ (এজেন্সী):
ওক্সিজেন সিলিন্দর ব্লেক মার্কেটিং তৌবদা চেন্নবা সী এ টি এস পেরামেদিক অনী ফারে অমসুং মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ অমা রিকোভর তৌরে হায়না দেল্লী পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (দি সী পি) অতুল কুমার থাকুরনা হায়, মে ৬তা পুলিসতা পি সী আর কোল অমা লাকখি। ওক্সিজেন সিলিন্দর মমল য়াম্না ৱাংনা য়োল্লে হায়না কোল্লর সুমাননা খঙহল্লকখি।

পুলিসনা কমপ্লেনেন্ট অসিবু কন্টেক্ট তৌখি অমসুং কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংনা শীজিন্নবা ওক্সিজেন সিলিন্দর সপ্লায় তৌরি হায়বা মেসেজ মীওই অমনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলক্লে হায়না মহাক্না তক্লকখি।

অদুম ওইনমক মহাক্না নম্বর অদুদা কন্টেক্ট তৌরুবদা মীওই অদুনা লিটর ৫তগী ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদা লুপা ৯০,০০০ পীয়ু হায়রকখি। এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবা টিম অমা শেমখি।

দি সী পি থাকুরনা হায়, পুলিস টিম অদুদা কমপ্লেনেন্ট অদুনা কন্টেক্ট তৌবা ফোন নম্বর অমখক য়াওবনা টেক্নিকেল সর্ভিলেন্সকী থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা লোকেল ইন্টলিজেন্সকী নেটৱর্ক অমসু শেমখি।

পুলিসনা কন্না হোৎনবদগী মমৈথংদা পাৱন কৌবা মশাগী চহী ২১ শুরবা দাক্ষিনপুরিদা লৈবা নহা অমা ফাখি অমসুং মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌখি।

পাৱননা অহানবদা মহাক ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী দিলিংদা চেন্নদে হায়খি। টিম অদুনা কন্না ইন্টরোগেসন তৌবদগী মীওই অসিনা মহাক চহী অনীরোম চুপ্না সী এ টি এস এম্বুলেন্স সর্ভিসকী পেরামেদিক ওইনা থবক তৌরক্লে হায়দোরকখি। পাৱনগী মেদিকেল বেকগ্রাওন্দ অসিনা ইনভেষ্টিগেসন টিমদা চিংনবা পোকহনখি। টিম অসিনা মহাক্কী মোবাইল ফোন স্কেন তৌবদা মখল মখা কয়াগী লংলা-লংজিনশিং ফংখি।

ওক্সিজেন সিলিন্দরগীদমক মীওই কয়ানা ৱাটসঅপকী খূথাংদা পাৱনদা কন্টেক্ট তৌখি অমসুং লিটর ১৫গী ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদা মহাক্না লুপা ৪০,০০০ চার্জ তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

মতুং তাবদা পুলিসনা পাৱনগী পেটিএম এপ চেক তৌখি অমসুং মহাক্কী পেটিএম একাওন্টতা য়াম্লবা শেনফমশিং থারকখি অমসুং মহাক্না মহাক্কী সেভিং একাওন্টতা ট্রান্সফর তৌরগা ৱিথদ্রো তৌই হায়বসি খঙখি।

পাৱননা চথুরম্লিবা থবক্কী মওং তক্লদুনা থাকুরনা হায়, মহাক ট্রেন তৌরবা পেরামেদিক অমনি অমসুং সী এ টি এ এম্বুলেন্সকী থবক তৌই। অরুবা পেসেন্টশিং পুথোক-পুশিনগা মরী লৈননা এম্বুলেন্সশিংদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং ইস্যু তৌই। ওক্সিজেন সিলিন্দর সপ্লায় তৌনবা মহাক্না ইন্সটাগ্রামদা মহাক্কী মোবাইল নম্বর ফোঙখি অমসুং য়াম্না থুনা ওক্সিজেন সিলিন্দরগী দিমান্দ লাকপা হৌখি। মহাক্না এম্বুলেন্সতা ইস্যু তৌরকপা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং নারোন্দা য়োনখি। একুয্জ পাৱনগী ময়ূমদা রেইদ চথুবদা ওক্সিজেন সিলিন্দর ২, পি পি ঈ কিট ৩২, শেল ওইনা লুপা লাখ ১ রিকোভর তৌখি।

# টব্লিঘি জমাটনা কোভিদ ভিক্টিমশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লি



তিরুপতি, মে ১০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ শন্দোকপগীদমক মমাঙগী চহীদা মায়কৈ কয়াদগী কন্না চৈ-থাংখিবা সুনি ইস্লামিক ওর্গনাইজেসন টব্লিঘি জমাটনা হৌজিক পেন্দমিক অসিদা মীয়ামগী থৌগল তৌনবা হোৎনরদুনা অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা কোরোনাভাইরস পেসেন্টশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লি।

শাথিরবা লাইচৎ অসিদা মীয়াম্বু মতেং পাংনবা ওর্গনাইজেসন অসিনা তিরুপতি য়ুনাইটেদ মুসলিম এসোসিএসনগী মখাদা কোভিদ-১৯ জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) লিংখৎখি অমসুং কাঙলুপ অমদি লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা থমদনা লৈখিদ্রবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা হৌরকখি।

টব্লিঘি জমাটকী এক্টিভ মেম্বর অমা ওইরিবা জে এম দি গৌসেনা হায়, হৌখিবা চহীদা মখোয়বু মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোকপগী মরাল শীখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মীয়াম্না মখোয়না তৌরিবা থবকশিং থাগৎনরি।

পেন্দমিক অনীশুবা ৱেভনা ইনি দয়াদা চৈথেং চাওনা পীরি। মীয়াম্না বেদ, ওক্সিজেন অমসুং হীদাক লাংথক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। কোভিদ-১৯না মী কা হেন্না শিহল্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী ক্রিমেটোরিয়মশিং মথৌ তৌবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা মতম অসিদা টব্লিঘি জমাটনা থৌনা লৈনা থোক্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মতেং পাংলি।

গৌসেনা হায়, ফোনদা পাউ পীরকপা অমসুং হায়জরকপগী মতুং ইন্না নুমিৎ খূদিংগী মহাক্না ভোলন্টিয়র ৬০ কোওর্দিনেট তৌদুন মফম কয়াদা লৈখিদ্রবশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লি। হৌখিবা থা অমরোম অসি মখোয়না নুমিৎ খূদিংগী য়ামদ্রবদা হকচাং ১৫গী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

টব্লিঘি জমাটকী মেম্বর অসিনা হায়, অহানবা কোভিদ ৱেভতা মী ইশি শিখিদে অমসুং শিখিবা অয়াম্বা অহলশিং ওইখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি নহা ওইরিবা মীওইশিংসু শিরে। মহাক্কী মতুং ইন্না, মেম্বর ৬৩না টিম অহুম থোক্না খায়দোকই অমসুং টিম অমদা নুমিৎ খূদিংগী য়ামদ্রবদা হকচাং মরি শিন্নে। লৈখিদ্রবশিং অদুনা চৎচরম্বা লাইনিং-লম্বীশিংগী মতুং ইন্না মখোয়না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকই।

করিগুম্বা ভিক্টিম অদু হিন্দু ওইরবদি ঐখোয়না ফি অমগা লৈ পরেং অমগা থম্মী। লৈতবা মী অদু খৃষ্টান ওইরবদি ঐখোয়না হকচাং অদু কূ অমদা হাপ্পী অমসুং চর্চকী ফাদর অমদা প্রেয়র পাঙথোকহল্লি। করিগুম্বা মখোয় সুপ্রিম ওইরবদি ঐখোয়না জনাজেকি নমাজ পাঙথোকই।

মখোয়না পি পি ঈ কিটশিং মশানা অমসুং টব্লিঘি জমাটকী মেম্বরশিংগী মতেংনা এরেঞ্জ তৌই। পুলিস, ম্যুনিসিপালিটি অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টাফনসু মখোয়গী সর্ভিস অদুদা মতেং পাংই। টিম অদুদা ওটো দ্রাইভর, থোঙ লোন্নখ্রবা রেষ্টোরেন্টশিংগী ৱর্করশিং অমসুং নুংতিগী শুরগা চাবশিং য়াওই। টব্লিঘি জমাটকী মেম্বরসু নত্তবা, মুসলিমসু নত্তবা মীওই খরসু মখোয়গী থবক্তুদা য়াওরি হায়না গৌসেনা ফোঙদোকখি।

# পেন্দমিক মরক্তা মমতা বেনর্জিগী মিনিষ্টর ৪৩ ৱাশক লৌখ্রে



কোলকটা, মে ১০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী অকনবা লাইচৎ মরক্তা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মিনিষ্টর ৪৩ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱাশক লৌখ্রে। রাজ ভবন্দা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টরশিংদুগী মনুংদা কেবিনেট মিনিষ্টর ২৪, ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ পায়বা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ১০, এম ও এস ৯ য়াওখি।

মিনিষ্টর অহুম- অমিত মিত্রা, ব্রত্য বাসু অমসুং রথিন ঘোস ভাচ্যুএল ওইনা ৱাশক লৌখি। গ্রুপ অহুম হায়বদি- কেবিনেট, এম ও এস (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) অমসুং এম ও এস হায়না খায়দোকখিবা অতৈ মিনিষ্টর ৪০না প্রোগ্রাম তেনশিন্নবা পূন্না ৱাশক লৌখি। মিত্রা মতম খরা মশা ঙল্লকখিদে অমসুং অতৈ মিনিষ্টর অনীনা কোভিদ ইনফেক্সন লৈবশিংনি।

মদুগী তুংদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মিনিষ্টরশিংদা দিপার্টমেন্টশিং য়েন্থোকখি।

হোম এন্দ হিল এফেয়র্স, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, ইনফোর্মেসন এন্দ কলচরেল এফেয়র্স, লেন্দ এন্দ লেন্দ রিফোর্মস অমসুং রেফ্যুজী রিহেবিলিটেসননচিংবা মরু ওইবা দিপার্টমেন্টশিংনা মমতানা পায়খি। নোর্থ বেঙ্গল এফেয়র্সসু চীফ মিনিষ্টরনা পায়গনি।

হান্না থাজনখিবগুম অমিত মিত্রদা ফাইনান্সকী থৌদাং শিন্নখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না হান্না পায়রম্বা কমর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজদি হান্নগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর পর্থা চেটর্জিদা শিন্নখি। চেটর্জিনা আই টি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্সকী পোর্টফোলিওসু পায়গনি।

অমরোমদা আই টি পায়রম্বা ব্রত্য বাসুদা স্কুল অমসুং হায়র দিপার্টমেন্ট শিন্নখ্রে। মিত্রা মতম শাংনা মশা ঙমদবদগী মীখল কন্টেষ্ট তৌখিদে। তৌইগুম্বসুং চীফ মিনিষ্টরনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট শিন্নবগীদমক অমুক হন্না মিনিষ্টর ওইহনখি।

হান্নগী মিনিষ্টর অয়াম্বা মখোয়না হান্না পায়রম্বা দিপার্টমেন্টশিং মখা তানা পায়হল্লবসু হান্নগী অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর অমসুং হান্নগী মেয়র ফির্হাদ হকিমনা ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাউসিং পায়রগনি। মমাঙদা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অসি সুবেন্দু অধিকারিনা পায়রম্মী। মহাক মীখল মমাঙদা টি এম সী থাদোক্লগা বি জে পিদা য়াওখি। নন্দিগ্রামদা চীফ মিনিষ্টরবু মায়থিবা পীখিবা অধিকারিনা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিদা ওপোজিসন লীদর ওইরগনি।

# ইন্দিয়ানা য়ু এস অমসুং চাইনাদগী হেন্না থুনা ভেক্সিনেসন পাঙথোকপা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১০ (এজেন্সী):
মালেমদা ইন্দিয়ানা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ খ্বাইদগী হেন্না থুনা পাঙথোক্তুনা খ্বাইদগী য়ামদবা নুমিৎকী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ক্রোর ১৭ কাপ্পা ঙমদুনা য়ু এস অমসুং চাইনাদগী ভেক্সিন হেন্না থুনা কাপখ্রে।

হীরম অসিদা য়ু এস অমসুং চাইনানা ইন্দিয়াগী মতুংদা মথংশীৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা রন্নর্সঅপ ওইরি। ইন্দিয়ানা পান্দম অসি শুপ্নগী নুমিৎ ১১৪নিগী মনুংদা য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, য়ু এসনা পান্দম অসি য়ৌবদা নুমিৎ ১১৫নি চঙখি অমসুং চাইনানা হোৎনবদা নুমিৎ ১১৯নি চঙখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পূং ৭ ফাওবগী প্রোভিজনল রিপোর্ট মতুং ইন্না সেসন ২৪,৭০,৭৯৯গী খূথাংদা পূন্না ভেক্সিন দোজ ১৭,০১,৭৬,৬০৩ কাপখ্রে।

ভেক্সিন দোজশিং অসিবু কাপখিবশিংগী মনুংদা ফর্ষ্ট দোজ কাপ্পা হেল্থ ক্যের ৱর্কর (ঐচ সী দব্লিয়ু) ৯৬,৪৭,১০২ অমসুং সেকেন্দ দোজ কাপ্পা ঐচ সী দব্লিয়ু ৬৪,৭১,৩৮৫ য়াওরি।

ফ্রন্ট লাইন ৱর্কর (এফ এল দব্লিয়ু) ১,৩৯,৭২,৬১২ অহানবা দোজ কাপখ্রে অমসুং এফ এল দব্লিয়ু ৭৭,৫৫,২৮৩না অনীশুবা দোজ কাপখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা চহী ১৮দগী ৪৫ ফাওবগী গ্রুপ্তা চনবা বেনিফিসরি ২০,৩১,৮৫৪ অহানবা দোজ কাপ্লে।

চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মরক্তা লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা অহানবা দোজগী বেনিফিসরি ৫,৫১,৭৯,২১৭ য়াওখি অমসুং অনীশুবা দোজগী বেনিফিসরি ৬৫,৬১,৮৫১সু য়াওখি।

অহানবা দোজগী বেনিফিসরি ৫,৩৬,৭৪,০৮২গী মনুংদা চহী ৬০গী মথক্কী মীওই কাঙলুপ য়াওরি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই ১,৪৯,৮৩,২১৭তি অনীশুবা দোজ কাপখ্রে।

চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুং বেনিফিসরি ২,৪৬,২৬৯ নোংমাইজিং নুমিত্তা অহানবা দোজগী কোভিদ ভেক্সিন কাপখি অমসুং হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০দা পূন্না ভেক্সিন দোজ ২০,৩১,৮৫৪ কাপখি।

লৈবাক অসিদা চথুরক্লিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী ১১৪নি চনবা নুমিৎ মে ৯দা ভেক্সিন দোজ ৬,৮৯,৬৫২ পীখি। পূন্না সেসন ৫,৬৮৫দা বেনিফিসরি ৪,০৫,৩২৫ অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপখি অমসুং বেনিফিসরি ২,৮৪,৩২৭না অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপখি।

# এ আই এ দি এম কেগী পালানিস্বামিনা টামিল নাদুগী ওপোজিসন লীদর ওইরগনি

চেন্নাই, মে ১০ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এ আই এ দি এম কেগী কোওর্দিনেটর ইদাপ্পাদি কে পালানিস্বামিনা ষ্টেট এসেমব্লিগী ওপোজিসন লীদর ওইরগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পার্টি হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা মীফমদা ঈ পি এসপু টামিল নাদুগী মথংগী ওপোজিসন লীদর খনবদা য়ানখিবনি।

এ আই এ দি এম কেগী ছোর্সশিংনা হায়, মীফম অদুদা ঈ পি এসপু পার্টিগী লেজিসলেটর ৬৬কী মনুংদা ৬১না শৌগৎখি। মহাকপু ফম অসিগীদমক খন্নরক্লিবসি মরু ওইনা পার্টি অসিনা ৱেষ্টর্ন টামিল নাদু অমসুং নোরদর্ন টামিল নাদুদা মায় পাক্লকখিবসি অয়াম্বনা মহাক্না হোৎনবদগীনি হায়না খন্নবদগীনি।



সাওথ টামিল নাদুগী কুস্থুম দিষ্ট্রিক্টতা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও পানিরসেলভম (ও পি এস) বোদিয়ানয়াকানুর কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাখি। অতৈ এ আই এ দি এম কেগী কেন্দিদেটশিংদি মায়থিবা নংখি।

অমরোমদা ঈ পি এসনা সালেম দিষ্ট্রিক্টকী ইদাপিতিদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী ভোটমশীং ৯০,০০০গী মথক্তা হেন্দুনা মায় পাকখি। মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এ আই এ দি এম কেগী কেন্দিদেট ১১গী মনুংদা ১০ মায় পাক্লবগী লম্বীসু ফাৎখি।

পার্টিগী ও পি এস ফেক্সননা হায়রিবদি মোষ্ট বেকৱার্দ কাষ্ট ক্বাটা মনুংদগী ভান্নিয়র কম্ম্যুনিটিদা চাদা ১০.৫ রিজর্ভেসন পীবগী পোলিসি অসিনা অতৈ কাষ্টশিং অমসুং কম্ম্যুনিটিশিং এ আই এ দি মে কে শৌগৎপা তোক্লখিবনি হায়বসিনি।

ও পানিরসেলভম অমসুং মহাক্না নক্লবা পার্টিগী মীওইশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা ইদাপ্পাদি পালানিস্বামিবু মরাল শীখি। অদুম ওইনমক পার্টি মনুংদা ঈ পি এসপু অয়াম্বা এম এল এশিংনা শৌগৎনবগা লোয়ননা মহাক্কী পব্লিক ইমেজনা ওপোজিসন লীদরগী ফম অসিগীদমক খন্নরকপদা লুচিংবা অসিদা মীৎয়েং থম্নরকখিবনি।

# কেরেলাগী জর্নেলিষ্ট অমা কোভিদ-১৯ নাবদগী লৈখিদ্রে

থিরুভনন্থপুরম, মে ১০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা কেরেলাগী জর্নেলিষ্ট অমা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিং লাকপদগী লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শু রবা বিপিন চান্দ কৌবা জর্নেলিষ্ট অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদবনি। মহাক্কী লোয়নবী শ্রীদেবী অমসুং মচানুপা মহেশ্বর লৈহৌরি। মহাক লৈখিদবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিংবু ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনি হায়না লাউথোক্নবগী দিমান্দ কনখৎখ্রে।

বিপিনগী করিয়র কুমজা ২০০৫দা ইন্দিয়া ভিজন মলায়ালম ন্যুজ চেন্নেলদা হৌখি অমসুং কুমজা ২০১২দা মহাক মাত্রিভুমিদা য়াওখি।

জর্নেলিষ্ট অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা কেরেলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ন, ওপোজিসন লীদর রামেশ চেন্নিথালা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স অমসুং অতৈ পোলিটিকেল লীদর কয়া অমদি মীওই কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।



জর্নেলিষ্টশিংবু ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংগী কেটগোরিদা চলহন্নবা অমসুং ভেক্সিন কাপ্পদা প্রাইওরিটি পীবা য়াওনা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনা ফংফম থোকপা কান্নবা খূদিংমক ফংহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা তকশিনখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কেরেলানা জর্নেলিষ্টশিংবু কোভিদ-১৯গী ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনি হায়না লাউথোক্ত্রি। পঞ্জাব, ওরিষ্যা, বিহার, মধ্য প্রদেশ অমসুং টামিল নাদুনচিংবা ষ্টেট খরদি জর্নেলিষ্টশিংসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা ফ্রন্টলাইন ৱর্করগী ষ্টেটস পীখ্রবনি।

# নেভেলি লিগনাইটনা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লিংখৎলগনি

চেন্নাই, মে ১০ (এজেন্সী):
পব্লিক সেক্টর ইন্টরপ্রাইজ নেভেলি লিগনাইট কোর্পোরেসননা টামিল নাদু অমসুং মসিনা ওপরেট তৌরিবা অতৈ ষ্টেটশিংদা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লিংখৎলগনি। কম্পনি অসিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পূন্না ওক্সিজেন প্লান্ট ৯ লিংখৎলগনি।

নেভেলি লিগনাইট কোর্পোরেসন ইন্দিয়া লিমিটেদ (এন এল সী আই এল)গী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর রাকেশ কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্পনি অসিনা থা অমগী মনুংদা টু তিকোরিন অমসুং নেভেলিদা ওক্সিজেন প্লান্ট অনী লিংখৎলগনি, মসিগীদমক্তা টেন্দর কৌখ্রে। কম্পনি অসিনা এন এল সী আই এল হোস্পিটালশিংদা লুপা লাখ ২৫ অমসুং লুপা লাখ ৩০ চঙনা প্লান্ট অনী ইন্সটোল তৌরগনি। টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা খন্দোকপা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অহুমদা কম্পনি অসিনা লুপা লাখ ৬৫দগী ৭০ ফাওবা চঙনা প্লান্ট ৩সু লিংখৎলগনি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 51,00,000+48,401 | 44,10,000+60,226 | 75,849+572 |
| Karnataka | 19,30,000+47,930 | 13,50,000+31,796 | 18,776+490 |
| Kerala | 19,00,000+35,801 | 14,70,000+29,318 | 5,814+68 |
| Uttar Pradesh | 15,00,000+23,175 | 12,50,000+34,636 | 15,464+294 |
| Tamil Nadu | 13,80,000+28,897 | 12,20,000+23,515 | 15,648+236 |
| Delhi | 13,20,000+13,336 | 12,20,000+14,738 | 19,344+273 |
| Andhra Pradesh | 12,90,000+22,164 | 10,90,000+18,832 | 8,707+92 |
| West Bengal | 9,93,000+19,441 | 8,55,000+18,454 | 12,327+124 |
| Chhattisgarh | 8,51,000+9,120 | 7,14,000+13,243 | 10,570+189 |
| Rajasthan | 7,57,000+17,921 | 5,51,000+16,880 | 5,665+159 |
| Gujarat | 6,81,000+11,084 | 5,33,000+14,770 | 8,394+121 |
| Madhya Pradesh | 6,72,000+11,051 | 5,56,000+4,538 | 6,420+86 |
| Haryana | 6,16,000+13,548 | 4,93,000+12,639 | 5,605+151 |
| Bihar | 5,91,000+11,259 | 4,77,000+13,364 | 3,282+67 |
| Odisha | 5,35,000+10,635 | 4,48,000+8,541 | 2,180+19 |
| Telangana | 4,97,000+4,976 | 4,29,000+7,646 | 2,739+35 |
| Punjab | 4,42,000+8,436 | 3,57,000+5,850 | 10,506+191 |
| Assam | 2,92,000+3,299 | 2,53,000+4,045 | 1,676+48 |
| Jharkhand | 2,86,000+4,169 | 2,24,000+6,461 | 3,853+97 |
| Uttarakhand | 2,44,000+5,890 | 1,66,000+2,770 | 3,728+180 |
| Jammu and Kashmir | 2,17,000+5,190 | 1,65,000+2,423 | 2,726+54 |
| Himachal Pradesh | 1,31,000+3,093 | 97,069+2,462 | 1,885+55 |
| Goa | 1,19,000+2,633 | 85,292+3,078 | 1,679+67 |
| Puducherry | 71,709+1,633 | 56,710+1,158 | 965+26 |
| Chandigarh | 50,207+895 | 41,128+879 | 568+10 |
| Chandigarh | 50,207+895 | 41,128+879 | 568+10 |
| Tripura | 37,692+133 | 34,532+130 | 410+4 |
| Manipur | 35,354+579 | 30,598+135 | 476+15 |
| Arunachal Pradesh | 20,165+119 | 18,172+188 | 60 |
| Meghalaya | 19,720+418 | 16,593+179 | 228+18 |
| Nagaland | 16,150+570 | 13,201+176 | 140+18 |
| Ladakh | 15,317+138 | 13,719+105 | 155+2 |
| Sikkim | 9,878+227 | 7,074+116 | 167+2 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 8,847+110 | 7,523+215 | 4 |
| Mizoram | 7,623+72 | 5,755+172 | 21+4 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,367+26 | 6,088+32 | 76+2 |
| Lakshadweep | 3,881+125 | 2,856+148 | 9 |

# মেদিকেল ফেসিলিটি হেনগৎহল্লগনি

ভোপাল, মে ১০ (এজেন্সী):
পেন্দমিক্কী অহুমশুবা ৱেভতা পোকপদা অঙাংশিং য়াওনা অঙাংশিং মশিং য়াম্না কোভিদ-১৯না শোকহল্লকপা য়াবদগী মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অঙাংশিংদা মীৎয়েং থম্লগা মেদিকেল ফেসিলিটি হেনগৎহন্নবগী থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা মেদিকেল কোলেজ ১৩গী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিংদা অঙাংশিংগীদমক্তা বেদ ৩৬০গী ফেসিলিটি শেল্লগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর বিশ্বাস সারাংনা হায়, ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজশিং লিংখৎপদা হোস্পিটালশিংগী আই সী য়ু ৱার্দশিংদা অঙাংশিংগীদমক্তা বেদ ৩৬০ রিজর্ভ তৌনবা লাংলি। ভোপালদা লৈবা হামিদিয়া হোস্পিটালদা অঙাংশিংগী ওইবা বেদ ৫০গী আই সী য়ু শেল্লগনি।

পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং য়াওনা অঙাংশিং লায়েংবদা হীদাক লাংথক, ইঞ্জেক্সন অমদি অতৈ তঙায় ফদবশিং শোয়দনা ফংহন্নবা মিনিষ্টর সারাংনা অকনবা ওর্দর থোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজ ১৩দা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর১০০০ লৈহল্লগনি। ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ১০০০সিগী মনুংদা চাদা ১৫ বেকঅপ ওইহনগনি অমসুং ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং শীজিন্নরগা ওক্সিজেন বেদ ৮৫০ ওপরেট তৌগনি।

# ইন্দিয়াগী অনৌবা কোভিদ কেস চাদা ৭৪ ষ্টেট ১০দা থেংনখি, মহারাষ্ট্রা, কর্নাটকানা খ্বাইদগী য়াম্মী

ন্যু দেল্লী, মে ১০ (এজেন্সী):
হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা থেংনখিবা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেসশিংগী চাদা ৭৩.৯১ দি ষ্টেট ১০দা রিপোর্ট তৌখিবশিংনি অমসুং ষ্টেটশিং অসিগী মনুংদা মহারাষ্ট্রা, কর্নাটকা, কেরেলা, টামিল নাদু অমসুং উত্তর প্রদেশনা ইনফেক্সন মশিং খ্বাইদগী য়াম্মী হায়বসি য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙবা দেটানা উৎলি।

মহারাষ্ট্রাদা হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা রিপোর্ট তৌখিবা অনৌবা কেস মশিং ৪৮,৪০১নি। মহারাষ্ট্রগী মথংদা কর্নাটকানা পোজিটিভ কেস ৪৭,৯৩০গা লোয়ননা কেস মশিং য়াম্বদা অনীশুবা ষ্টেটনি অমসুং কেরেলানা অনৌবা ইনফেক্সন ৩৫,৮০১গা লোয়ননা অহুমশুবদা লৈ। টামিল নাদুদা অনৌবা কেস ২৮,৮৯৭ থেংনখি অমদি উত্তর প্রদেশতা ২৩,১৭৫, অন্ধ্র প্রদেশতা ২২,১৬৪, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ১৯,২৪১, রাজস্থানদা ১৭,৯২১, হরিয়ানাদা ১৩,৫৪৮ অমসুং দেল্লীদা ১৩,৩৩৬ থেংনখি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পূন্না অনৌবা কেস ৩,৬৬,১৬১ থেংনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী এক্টিভ কেস মশিং ৩৭,৪৫,২৩৭ শুরে। লৈবাক অসিগী অপূনবা এক্টিভ কেসলোদ অসি পোজিটিভ কেস অপূম্বগী চাদা ১৬.৫৩নি।



এক্টিভ কেস মশিং হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ৮,৫৮৯ হেনগৎখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পূং ৭ ফাওবগী মনুংদা থাদোরকপা দেটা অদুগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়াগী অপূনবা এক্টিভ কেস মশিংগী চাদা ৮২.৮৯দি ষ্টেট ১৩দগী রিপোর্ট তৌরকখি।

অদুম ওইনমক, লৈবাক্কী ওইবা শিবগী চাং হন্থরক্তুনা হৌজিক চাদা ১.০৯দা লৈরে। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯না পূন্না মীওই ৩,৭৫৪ শিহনখি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দেটা অদুগী মতুং ইন্না অনৌবা কোভিদ মীশিশিংগী চাদা ৭২.৮৬ ষ্টেট ১০দগী রিপোর্ট তৌরকখি। মীওই ৫২৭ শিখিবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রনা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিবা ষ্টেটনি। মথংদা কর্নাটকানা নোংমদা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা অনীশুবা ষ্টেটনি। অদুম ওইনমক, হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ষ্টেট অহুম য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মী অমত্তা শিখিদে। কোভিদ পেসেন্ট অমত্তা শিখিদবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমদুদি, অরুনাচল প্রদেশ, দি এন্দ দি এন্দ দি এন্দ এন অমসুং লক্সদ্বিপনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯দগী ফরকপা মী মশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা ১,৪৬,৭১,২২২ শুখি। ফবগী চাং চাদা ৮২.৩৯নি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পূন্না মীওই ৩,৬৩,৮১৮ নাবা ফখি। অনৌবা রিকোভরিশিংদুগী চাদা ৭৪.৩৮দি ষ্টেট ১০দগী রিপোর্ট তৌরকখি।